থৌবাল পি এসকী মনুং চন্না লৈবা সঙ্গাইয়ুম্ফম পল্লি কৈথেলদগী তেম্বা চৎখিবা লম্বীদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা এম দি অমির খানগী মীশিদা মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উনখিবগী শক্তম

মণিপুর (হিলস এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল বিল ২০২১ এসেমব্লী মীফমদা পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা অটসুমনা কৌখিবা পুং ২৪গী টোটেল সটদাউন কে এস ও তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা শৌগতুনা লম্বী থিংখিবা

FIRST AID & ACTION ON MED EMERGENCIES
23 AUG 2021

আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা চুড়াচান্দপুর সেক্তরগী অসাম রাইফলস বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা চুড়াচান্দপুর, বিষ্ণুপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা পাঙথোকখিবা ফর্ষ্ট এইদ এন্দ মেদিকেল ইমর্জেন্সিগী লেকচর প্রোগ্রাম

Awareness Programme
ON COVID-19

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা থিনুঙ্গৈদা কোভিদ-১৯গী এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা আয়ুশকী হিদাক অমদি ফেস মাস্কনচিংবা য়েন্থোকখিবগী থৌরম

ঈশিং থারোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): উরিপোক কাংচুপ রোদ পাকথোক চাউথোকপগী থবক্লা হঞ্জিন-হঞ্জিন অকায়-অতোয় থোকহন্দুনা শিংদা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টকী মখাদা লমশাং ওইল সর্ভিসকী মায়োক্লবদা লৈবা তাওথোং খুদৈবন্দ লৈকায় মপাদা অরিবা সী আই পাইপশিং শীন্দোকপগী থবক ওগষ্ট ২৫দগী ২৯ ফাওবা চথগনি। মরম অসিনা হায়রিবা নুমীৎশিং অসিদা লাঙ্গোল রিজার্ভর জোন-১/২/৩, নাওরেমথোং, উরিপোক, ললাম্বুং, লম্ফেল, থাংমৈবন্দ, সী এ য়ু, রিমসনচিংবদা ঈশিং পীবা লেপকনি। পাইপ শীনবগী থবক অসি মপুং ফানা লোইরবা মতুংদা নোর্মেল পাইপ ৱাটর সপ্লায়গী থবক হৌগনি হায়না পি ঐচ ঈ দিগী ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র কে এস ঐচ তোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেঙ য়েন্দ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ৱাংখৈ এ সীগী ওইনা নফসাগী মখাদা লায়রবা মীয়ামদা ফংহনগদবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী ওগষ্ট থা ফাওবা পুন্না থা ৫গী চেঙ য়েন্দ্রে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামদা চেঙ ফংহনবীয়ু। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা শুবা নোম্বসু চৎপা য়াদ্রবা য়াম্না খুদোংথিরবা মতম অসিদা এ সী অসিগী ওইনা চেঙ ফংহন্দবা অসি ৱাংখৈ এ সীবু থওইবীদবনি। মরম অসিনা ঙসিগী লৈঙাক্লা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পাউতাক পীদুনা থা ৫গী চেঙ ফংহনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ ৱাংখৈ এরিয়া কম্মিটিগী সেক্রেটরি ৱাই ইন্দ্রানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মপোক কুমওন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর কোলেজগী ৬৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌখিবা ওগষ্ট ২১দা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. দল্লিয়ু শম্ভুনাথ, ফেকল্টি মেম্বরশিং, নন-টিচিং ষ্টাফশিং অমদি মণিপুর কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না কোলেজ অসিগী ফাউন্দরশিংগী মেমোরিএল স্কৱারদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়না মণিপুর কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি লোংজম সেমসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোলেজ অসিগী ফাউন্দর মেম্বরশিংবু নীংশিংবা ওইনা মণিপুর কোলেজদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদসু শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নখি। তেংবাঙ অদু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরিশিং, নন-টিচিং ষ্টাফশিং, ফেকল্টি মেম্বরশিং য়াওনা প্রিন্সিপালনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দদা খুৎশিন্নখিবনি। তুংদা থৌরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরিশিংনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন তৌখি।

অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নদা মতম শাংনা মরুওইবা থৌমী অমা ওইরম্বদা নত্তনা ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট এ আই টি য়ু সীগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বা নাকম্বম সুবোননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক রিভোল্যুস্নরি স্পিরিট লৈনা লৈবাক্কী অমদি লৌমী-শিন্মী কয়াগী ঈহৌদা মাঙজিল থাখিবা মীশকনি। মহাক্কুম্বা অচঙবা শিন্মীশিংগী লুচিংবা অমনা লৈখিদবা অসি মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অমনি হায়নসু এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী মায়কৈন্দগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনসু পার্টি অসিগী মেম্বর ওইরম্বা নাকম্বম সুবোননা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৰাবদসু শরুক য়ারক্লি।

অপূনবগী শক্তম কায়নবা বিল অমত্তা এসেমব্লীদা পুথোকপা য়ারোই : কিল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ওগষ্ট ২০দগী ফম্বা হৌখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ১৩শুবা মীফমদা কংলৈপাক মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়নবা বিল অমত্তা পুথোকপা য়ারোই হায়না কংলৈ ইমা লূপ (কিল) কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কংলৈ ইমা লূপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দি মণিপুর হিলস এরিয়া ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল বিল ২০২১ পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসি পুথোকপা য়ারোই। করিগুম্বা বিল অসি পুথোকপা থোক্লবদি কংলৈ ইমা লূপ (কিল)না লমদম অসিগী মাঙজিল থাবা সিভিল সোসাইটি লূপশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা অকনবা ঈহৌ চথনবা শেম-শাবা লোইরে। বিল অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা চহী লিশিং ২গী মমাঙদগী শাগৎখিবা কংলৈপাক মণিপুরগী চীংবুরোয় তম্পুরোয় মচিল-মনাও অনীগী অপূনবগী শক্তমদা অকায়বা লাক্লবগী মরম ওইরক্কনি। লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী মফমদগী শিন্থরকপা অঙাংবা ঈনা য়েক্কুনা শাগৎলমখিবা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা ঙসিগী লৈঙাক অমদি মীরোলনা হোৎনরোইদবনি।

এসেমব্লীদা পুথোক্লবা হোৎনরিবা দি মণিপুর হিলস এরিয়া ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল বিল ২০২১ অসিদা ৬শুবা সেদ্যুলগী মচাকশিংগা মান্নবা য়াওবদা নত্তনা, নাগা টেরিটোরিএল কাউন্সীল অমদি কুকিশিংনা মখোয়গী ওটোনোমস নৎত্রগা হোমলেন্দ শেম্নবা দিমান্দগা পাঙ্খক ওইবনা হৌজিক চথরিবা এসেমব্লী মীফমদা পুথোক্লবা হোৎনরিবা দি হিলস এরিয়া ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল বিল ২০২১ পুথোকপা য়ারোই হায়বগী ফিরেপ কংলৈ ইমা লূপ (কিল)না লৌবনি। ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলশিংদা পীরিবা অহেনবা মপাঙ্গলশিং অদুদি মসিগী ওইবা লো শেম্বা, মখল কয়াগী টেক্স লৌবা, প্রাইমারী স্কুল লিংবা অমসুং চলাইবা, লমদুদা থোকপা মখল কয়াগী পোথোক, খোনিগী পোথোকশিং পুথোক পুশিন, য়েন্থোক য়োনশিনগী লাইসেন্স পীবা, শেল শান্দোক-শাঞ্জিনগী থবক্তা ত্রাইবেল নত্তবা অতে মীওইশিংনা তৌরিবা কন্ট্রোল তৌবগী অহেনবা পৱার পীবা অসিনচিংবনি। ইশম শম্না হায়রবদা লৈঙাক অমগী মতুংদা অতোপ্পা লৈঙাক অমা লৈবনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা খুৎ থিংজিনহনবগী রাইট লৈহন্দবনি। ষ্টেট অমগী মনুংদা হীরম অমত্তদা লৈঙাক অনী লৈহন্দবা হায়বসি কংলৈ ইমা লূপ (কিল)গী অচেৎপা ফিরেপনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘বি পি ৮১গী চয়েৎনবা লোইদ্রিঙৈদা লম্বী শেমজিল্লক্লিবসি বোর্দর ফেন্সিং তৌনবগী ওইরবদি তৌবীগনু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): বোর্দর পিল্লর (বি পি) ৮১গী চয়েৎনবা লোইদ্রিঙৈদা হৌজিক হৌজিক বি আর টি এফনা লম্বী শেমজিল্লক্লিবসি বোর্দর ফেন্সিং তৌনবগী ওইরবদি তৌবীগনু হায়না হুং সিদবা লাইনিংকোল (ট্রষ্ট) কৈরেনফাবীগী প্রসিদেন্ট ওইনাম পুলেম্বা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক হৌজিক বি আর টি এফনা ম্যান্মার অমসুং মণিপুরগী তায়নবা ঙমখৈদা লৈরিবা বোর্দর পিল্লর ৮১গী মনাক তম্না বোর্দর ফেন্সিং তৌননবা লম্বী শেমজিল্লকপা অসি লৈবাক মীয়ামগী অয়াবা য়াওরগা তৌরিব্রা। মণিপুর লৈঙাক্তা হান্না খঙহল্লকপা লৈব্রা। মফম অসি হান্নদগী য়েৎনদুনা লৈরিবনি। কুমজা ২০১৮গী জুলাই ২৫দা রিটায়র্দ লেফটিনেন্ট জেনরেল গিরিস কুমার, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি শ্রিপ্রিয়া রঙ্গনথন অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (এন ঈ) এ ভি ধর্ম্ম রেদ্দি য়াওবা মীওই ৩না শাবা সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী টিম অমনা লৈবাক অনীগী তায়নবা ঙমখৈ ক্কাথা খুনৌদা য়ুংবা বোর্দর পিল্লর ৮১ অসি য়েৎনদুনা লৈবদগী য়েংশিনবা লাকখি। হায়রিবা নুমীৎসিদা মফমদুগী খুঞ্জাশিং, মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং, পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিং য়াওনা য়েৎনদুনা লৈরিবা বোর্দর পিল্লর মখোঙমক্তদা য়াম্না চাউবা ঈহৌ অমগা লোয়ননা বোর্দর পিল্লর ৮১ অসি লান্না য়ুংশিনবনি হায়না সর্ভে টিম অদুদা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। নুমীৎতুদা তীনখিবা মীয়াম্না বোর্দর পিল্লর ৮১ না হান্না মার্ক তৌবা য়ুংফম থোকপা মফমদু হায়রিবা সর্ভে টিম অদুদা খঙনবা য়েংবা চঙসি হায়বদা য়ানিংদবা ফীভম উৎপদগী নমদুনা পুশিল্লগা খুদোম্বী থিল্লগা মফম অদু অসিনি হায়না তাকখিবা লৈখ্রবনি।

লমচেল্লোক তুরেল লাল্লগা খরা চঙশিল্লগা মফম অদু য়েংমিন্নদুনা খঙমিন্নখ্রবনি। মদুদা সর্ভে টিম অদুনা চপ চাবা মফম অদু খঙদোক্লনবা খুৎলায় পুরগা মথং অমুক লাক্লগে হায়রম্লগা হনখিবদগী ঙসি ফাওবদা লমদম অসিগী মীয়ামদা করিমত্তা খঙহল্লকপা লৈখিদ্রি। ইখঙ খঙহৌদনা হৌজিক মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা চহী ৩ কান্নরবা মতুংদা য়েৎনদুনা লৈরিবা মফম অসিদা বোর্দর ফেন্সিং তৌননবা লম্বী শেমজিনবা হৌরক্লিবা অসিদি নম্ফু-হাফুগী থৌদৌ-থৌশিলনি। অসিগুম্বা নম্ফু-হাফুগী থৌদৌ অসিদি লমদমসিগী মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। লম্বী শেম্বা, চাউখৎ থৌরাং তৌবদা য়াদবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈত্রবা মতুংদা হায়রিবা লম্বী অসি শেম্বীয়ু হায়জবনি। য়েৎনরিবা বোর্দর পিল্লর ৮১ মনাকসিদা ঐখোয়গী য়াম্না মরুওইবা লাইনিংথৌ আ-মহিলেন সিদবা অমসুং সিদবী অনীগী অশেংবা লাইফম্লেন অমসু লৈরিবনি। হান্নদগী বোর্দর পিল্লর ৮১গী চয়েৎনবা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা আ-মহিলেন সিদবী ইবেনথৌগী উজাও-উরেল মনাক্তা সব-বোর্দর পিল্লর অমা কুমজা ২০১৮ হৌরকপা অদুৱাইদা য়ুংশিল্লকপদগী লমদমসিগী মীয়াম্না খোয়রাং খোয়শাউনবা হেনগৎলকখিবনি। হায়রিবা লাইফম্লেন অসি মহৌশাগা শাগোন্নরকপা অশেংবা লাইফম্লেননি। লাইফম্লেন অসি মওং অমদা য়ৈখাই থিনগাইবা নৎত্রগা অয়েৎ-অপন পীবা শুকয়া য়ারোই। ৱাফমসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক, রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী এম পি অনী, সী এস ওশিং অমদি অখঙ-অহৈশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইরোল ইয়েক চাউখৎতনা খুন্নাই অমা চাউখৎপা য়ারোই : এসোসিএসন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ইরোল ইয়েক চাউখৎতনা খুন্নাই অমা চাউখৎপা য়ারোই। মণিপুরী লোল অসি ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা চহী ৩০ ফারক্লবসু লোল অসি চাউখৎহনবদা থৌদাং লৌগদৌরিবা মথৌ তাবা ক্কালিফাই ওইরবা মীতৈ ময়েক্কী ওজা লৌখিবা লৈত্রি হায়না মীতৈ ময়েক টি ঈ টি সপ্লিমেন্টেরি সক্সেফুল কেন্দিদেটস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওক্রম নন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা থেঙ্খাং অনীরক্তা মীতৈ ময়েক্কী ওজা ৮৬৪ হাপ্লগনি, সেন্টরদগী ফন্দ ঙাইরি হায়না লাউথোকপীখিবদি লৈরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অনৌবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী (এন ঈ পি) ২০২০ পুথোক্লিবা অসিগী তাঞ্জা লৌদুনা অথুবা মতমদা লোল ইয়েক অসি চাউখৎননবা খোঙথাং ওইনা মীতৈ ময়েক টি ঈ টি সপ্লিমেন্টেরি ২০১৬ পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংবু প্রাইমারী ওজা ওইনা লৌশিন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌফম থোকই। হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসি পাঙথোক্তনা ইমালোল নুমীৎ পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই। ইরোল ইয়েক চাউখৎপদা থিন্থহনবনি।

কুমজা ২০১৩গী এপ্রিল ১৮দসু মতমদুগী লৈঙাক্লা ওজা ওইনা লৌশিনগনি লাউথোকপীরগা তোকখি। খোয়শাওনরবা, পূক্নিং লৈতাদ্রবা মীতৈ ময়েক টি ঈ টি সপ্লিমেন্টেরি ২০১৬ পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা লৈঙাক্কী ওইবা অচেৎপা ফিরেপ অমা কেবিনেটনা লৌবীদ্রবদি অথুবা মতমদা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিন্ননবা শেম-শারে। ঈরাং থোকহনবা থোকহন্দবা হায়বসি লৈঙাক্কী ফিরেপকী মখা পোল্লি। খাঙবগী পনখৈ হায়বা অমসু লৈ। মসি মতম-মতমগী লৈঙাক্লা খন্থফম থোকই হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা আইমোল ৱাটরফোল য়েংবা চঙবদা অথিংবা থল্লম্বা অদু লৌথোকখ্রে।

আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এ এস য়ু এম)গী ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি সী ঐচ লালদৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মতম কুইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা আইমোল ৱাটরফোল অসি য়েংবা চঙবদা মতম কক্তনা আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর অমসুং তুইসোরোক ভিলেজ ওথোরিটিনা থিংলম্বা অদু হৌখিবা ওগষ্ট ২৩দগী হন্দোকখ্রে। মরম অসিনা ৱাটরফোল য়েংবা চঙবসু অথিংবা লৈত্রে। ৱাটরফোল অসি য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী কাউন্টরদগী টিকেট লৌবীরগা চঙবা য়াগনি।

ময়াই কাবা দ্রগকা মরী লৈনবা পোৎ-চৈ পুশিনবা অমসুং চাবা-থকপা য়ারোই। কনাগুম্বনা ময়াই কাবা দ্রগ পুশিল্লম্বা, চারম্বা থেংনরগদি মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি। খৎন-চৈনবা, নুপী-অঙাংদা কারন-তুরন তৌবা থেংনরবদি মতিক চাবা কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না এক্সন লৌখৎকনি। আইমোল ৱাটরফোল অসিগী অকোয়বা মফমশিংদা য়েংবা লাক্লিবশিংনা চাবা থকপা লোইরগা ফত্ত-হাওদিশিং অদু মফম চানা দষ্টবিনদা হুন্দোকপীগদবনি। প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং চাইথোকপা হুন্দোকপা থেংনরবদি ফাইন ওইনা লুপা লিশিং ১ লৌগনি। ৱাটরফোল অসি হাংবগী মতমনা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ওইগনি। নোংমাইজিং নুমীৎতি ক্লোজ তৌজগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, আইমোলগী ৱাটরফোল অসি ষ্টেটসিগী টুরিজম দেষ্টিনেসন অমা ওইহন্ননবা লৈঙাক্কী অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বসু তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগীদি নীংথিনা শেমগৎপীবগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

শকখঙদবশিংনা সেনাপতিগী ৱিমেন মার্কেট কমপ্লেক্স অকায়-অতোয় থোকহল্লম্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): লাইবক থীবা থৌদোক অমা ওইনা শকখঙদবশিংনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্কার্টরদা লৈবা ৱিমেন মার্কেট কমপ্লেক্সকী শরুক কয়া অকায়-অতোয় থোকহল্লম্লে।

সেনাপতিগী ৱিমেন মার্কেট কমপ্লেক্স অসিগী সিলিং অমসুং থোঙনাও থুগায়রম্বগী মথক্তা সিলিং ফেন খরা অমদি ৱ্যেরশিংসু থুগায়-য়ানখাইরম্লে। লোয়ননা ফত্তবা চে কয়াসু চাইখায়দুনা থল্লম্লে। থৌদোক অসি কনানা করি মরমগীদমক করম্বা মতমদা তৌরম্বনো হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না থৌদোক অসি নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা থোকখিবনি হায়রি। অদুমকপু হৌজিক ফাওবা ফোর্মেল ওইবা কমপ্লেন্ট অমত্তা লাকপা লৈত্রি অমদি থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কনাগুম্বা অমত্তা অফা-অপুন তৌবসু লৈত্রি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, ভেন্দর ২০০ হেনবগী কেপাসিটি ওইরিবা সেনাপতিগী ৱিমেন মার্কেট কমপ্লেক্স (অপফি সালিকি কমপ্লেক্স) অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ৩০দা শঙ্গাখিবনি। থৌরমদুদা মতমদুগী ত্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর এন কাইসি, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখোসু শরুক য়াখিবনি।

সেনাপত্তিগী ৱিমেন মার্কেট কমপ্লেক্সতা অকায়-অতোয় থোকহল্লম্বা থৌদোক অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী পূক্নিংসু চিংশিল্লক্লি।

চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): নেসনল কো-ওপরেটিভ দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন সী দি সী) গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পিসিকলচর দিভেলপমেন্ট স্কিমগী সেঙ্কসন তৌরকখিবা শেনফমশিং দি-সেঙ্কসন তৌখিদনবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রেসিভ মল্টি ফার্মরস কো-ওপরেটিভ ফেদরেসন লিমিটেদনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রেসিভ মল্টি ফার্মরস কো-ওপরেটিভ ফেদরেসন লিমিটেদকী সেক্রেটরি পি ঐচ রতননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন সী দি সী ন্যু দেল্লীনা পিসিকলচর দিভেলপমেন্ট স্কিমগী ওইনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মরি হায়বদি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সেঙ্কসন তৌরকখিবা লুপা লাখ ১২,৫৫৬.১০ অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা জুলাই ৩১ ফাওবদা এন সী দি সীদা ফাইনান্সিএল কনকরেন্স মতম চানা পীহৌদবনা স্কিম অসি ককখ্রগদরা হায়বগী মীপায়বা পোক্লে। হীরমসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা এন সী দি সীদা ফাইনান্সিএল কনকরেন্স পীবগী মতম অসি খরা য়ৈথোকপীননবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখিবা লৈখ্রে। সেঙ্কসন তৌরকখ্রবা শেনফমশিং অসি অনৌবা পুখ্রি শেম্নবা, হান্না লৈরম্বা পুখ্রি শেমজিন্নবা, হেটচরি য়ুনিট হাংননবা, আইস প্লান্ট/কোল্ড ষ্টোরেজ থম্নবা, ফিশ মার্কেট, ত্রান্সপোর্ট ভেহিকল, রি-সার্ক্যুলেটরি এক্বাকলচর সিষ্টম (আর এ এস) অমসুং ট্রেনিংদা শীজিন্ননবনি হায়রিবনি। স্কিম অসিগী সেঙ্কসন তৌরকখ্রবা শেনফমশিং অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা জুলাই ৩১, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা য়ুটিলাইজ তৌদ্রবদি দি-সেঙ্কসন তৌগনি হায়রিবনি। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টরনা লৌমী-শিন্মী অমদি ঙামীশিংগী খল্লগা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ওগষ্ট ১৫দা ঙারিয়ান সনি গোলাইদা থোকখিবা থৌদোক্তা লংদুম মখা লৈকায়দগী হিদম রোজিৎ লৈখিদবা অসিগী মতাংদা সনি গোলাইদা পোৎফম ফম্বীরিবশিংনা লৌবীখিবা থৌদাং লংদুমগী মৈরা পায়বীশিংগী মায়কৈদগী পেন্দবা ফোঙদোকচরি হায়না ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসন লংদুমগী সেক্রেটরি ঐচ থাবল্লেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মচা কায়নবগী মৈচাক খাংলিবা মমা অমদি পীল্লিবা মচা অনীগা লোয়ননা মপুরোইবা কায়নবগী মৈচাক খাংলিঙৈ মরক অসিদা মীদিয়াদা ফোঙদোরল্লিবা ৱাফম কয়া অসিনা হেন্না নুংঙাইতবা অমদি খোয়শাউনবা পোকহনবীরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। তশেংনা থোকখিবা থৌদোক অসি অতে মফমদা নৎত্রগা লংদুমদা থোক্লম্বা ওইরবদি অশোয়বা ফম্না য়াম্না লৈবা ওইরবসু ৱারক-ৱাতেম্বীদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা নৎত্রগা মমা-মপাদা শীন্নদুনা অসিগুম্বা নুংঙাইতবগী থৌদোক অসি থোক্লম্লোই। অদুগা ৱাফম অমনা অংথাগী খুঞ্জাশিংনা ফূদুনা হাৎলি হায়না মীদিয়াগী খুথাংদা ফোঙদোকপীরল্লিবসি লংদুমগী মীয়ামগী মায়কৈদগী হায়খিবা লৈতে। অসিগুম্বা অংথা অমসুং লংদুমগী মীয়াম মরক্তা নুংঙাইনরোইদবা ৱাফমশিং মতুংদা অমুক হন্না সনি গোলাইদা পোৎফম ফম্বীরিবশিংনা ফোঙদোকপীরক্তনবা ৱাফমসু চেরোলদুনা থল্লক্লি।

চাকচা-হৈজান্নবা অমদি মীফম পাঙথোক্তনবা ৱারেপ্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): পব্লিক ক্লব অমদি পঞ্চায়ট মেম্বরশিংগা ঙরাং লাক্লিবা ষ্টেট এসেমব্লীগী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা মীফম অমা খুরাই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াদুনা ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে হায়না পব্লিক ক্লবকী প্রসিদেন্ট এল বিবেকানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অদুনা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুদি লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫ ফাওবদি ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমত্তগী চাকচা-হৈজান্নবা অমদি মীফম পাঙথোক্লদবা হায়না য়ানরে। হায়রিবা ৱারেপ অসিগা মরী লৈননা চৎন-কাঙলোনশিং অসি খুরাই খাইদেম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ১, ২ অমসুং ৩গী মেম্বর অমসুং উপ-প্রধানগা খুৎশম্না চৎমিন্নবা হায়নসু য়ানরে। চৎন-কাঙলোনশিং অসি থংনবা লৈকায়গী ওর্গনাইজেসন ঈ ৱাই দি এগসু খুৎশম্না চৎমিন্ননবা পাউজেল অসি পীবদসু অমত্তা ওইনা য়ানখি। লোয়ননা চৎনলোনশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকমিন্ননবগীদমক পঞ্চায়টকী মীহুৎশিংগা পাউফাওনবীবা অমদি হোৎনবীবদসু অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

অৰাবা তারবশিংদা অমুকোনা লেপ্তুনা মতেং পাংলি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা লুপ কয়াগা পুল্লগা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা হীরম কয়াদা অৰাবা মায়োক্লরিবা ময়ামসিদগী খরা হেন্না অৰাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়না ওর্গনাইজেসননা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অমুকোনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়, কোংবা উচেক্কোন খুন্নৌ, উচেক্কোন তাখোক মপাল, তোপ খোংনাংখোঙ মমাঙ অমদি তোপ খোংনাংখোঙ মনিংদা পূন্না ইমুং ১১৩ অদুগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লোঙা কোইরেংদা য়ূম ৩০ পুল্লপনা য়ূম ১৪৩দা চেঙ কে জি ৫/৫ মতেং পাংখ্রে। অমুকোনা থল্লিবা পান্দম অদু য়ৌদ্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা লমদমসিগী লুপ কয়াগা খূৎশম্নরগা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবগী থবক চথখিগনি হায়রি।

LONGA KOIRENG YOUTH CLUB

ময়ামদগী খরা হেন্না শোত্থনা লৈরবা ইমুং ১০,০০০দা পান্দম থমদুনা অমুকোনা লুপ কয়াগা খূৎশম্নরগা হৌখিবা থা খরগী মমাঙদগী মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা চত্তুনা য়াম্না তঙায় ফদবা ইথৌদাং অমনি খঞ্জদুনা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্লিবনি। ঙসিগী অসি থারগা অমুকোনা লমদমসিগী লুপ কয়াগা পুল্লগা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবসি পূন্না ইমুং ৭,১৬৬ শুরে। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা অমুকোগী এদভাইজর আর য়াংসোসোং কোইরেং, প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ভাইস প্রসিদেন্ট কোইজম হেলেন অমদি ফাইনাস সেক্রেটরি (ইন-চার্জ) ক্ষেত্রিময়ূম রাজেন মীতৈসু শরুক য়াখি।

ঙসি অমুকোনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়গী য়ূম ২০দা চেঙ য়েন্থোকখিবা অদুদা নহারোল লমজিং মৈরা ক্লবনা মতেং পাংখি। কোংবা উচেক্কোন খুন্নৌদা য়ূম ২০ য়েন্থোকখিবা অদুদনা সাওথ ইষ্ট দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন সেন্টর না মতেং পাংখি। উচেক্কোন তখোক মপালদা য়ূম ২০দা য়েন্থোকখিবা অদুদা নহারোল লময়ান ক্লবনা মতেং পাংখি। তোপ খোংনাংখোঙ মমাঙদা য়ূম ৩৩দা য়েন্থোকখিবা অদুদা পব্লিক ক্লবনা মতেং পাংখি অমদি তোপ খোংনাংখোঙ মনিংদা য়ূম ২০দা চেঙ য়েন্থোকখিবা অদুদনা ইষ্টর্ন য়ুথস দিভলমেন্ট এসোসিএসননা মতেং পাংখি। কাংপোকপগী দিষ্ট্রিক্টকী লোঙা কোইরেংদা য়ূম ৩০দা চেঙ য়েন্থোকখিবা অদুদা লোঙা কোইরেং য়ুথ ক্লবনা মতেং পাংখি।

কোভিদ-১৯গী ফিভমসি য়াম্না শোকচিল্লুরবা মতুংদা হৌজিক খরা ফগৎলক্লিবা অসিদগী মখা তানা হেঞ্জিল্লক্তনবা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিন্না থবক তৌহৌবগা লোয়ননা ময়ামদগী খরা হেন্না অৰাবা ইমুংশিংদা থেংনরিবা চীঞ্জাক্কী অৰাবা অদু কোক্লনবা পূকচেল চাউরবা মীওইশিংনা অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌহৌবা চুমগনি। মীওই কয়াবু চারা হেলহন্দবা হায়বসি কোভিদ থেংননবগী লম্বী অমনি অমদি ঐখোয়গী মীয়াম কন্নবগী তঙায় ফদবা থবক অমনি হায়রি।

লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী কান্নবা ফংহনবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা পীরক্লিবা মখল কয়াগী চৈথেংশিং অসিনা মরম ওইরগা অৰাবা কয়া মায়োক্লরিবা নোংমগী শুরগা চাজবা লমদমসিগী মীওইশিংদা তেংবাঙ পীনবগীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎলকখিবা চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী কান্নবশিং ফংহনবগীদমক লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

মরিশুবা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল লূপকী প্রসিদেন্ট নিঙোম্বম ইবেমহলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা ৱাবনা পনখৈ লৈত্রবা মতমসিদা ঙসিদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইমা-ইবেলশিংবু খরা খজিক্তা ওইরবসু মতেং পাংবীবা ওইনা চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী শেনফম সিকি অমফাওবা তিংহন্দনা ফংহনবীবা অসিদি লৈঙাক পায়রিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। স্কিম অসিগী ফোর্ম থাজিনবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি ঐচ কিরনকুমার অমদি মহাক্কী সব-ওর্দিনেট ষ্টাফশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিংবু য়ুনিয়ন অসিনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি। থবকশিং অসিবু মতেং পাংবীখিবা ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সীলগী থৌমীশিং, সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ অপুম্ববুসু ৱারবা মতম অসিদা অৰাবা কোক্লনবা হোৎনবীরকপা হায়বসি থাগৎতবা ঙমদে। ঙসিদি ইমাশিংনা হরাওজরে। মতুংদসু ইমা-ইবেলশিংবু অসিগুম্না তৌহন্ননবা শীনবীয়ু। ঙসিগী লৈঙাক অসি মীয়ামগী লৈঙাক্লি হায়বদু য়াবীয়ু। স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহৌদনা লৈহৌরিবা কর্ফিয়ুগী মতমদা থাজিনবা নংহৌদবা ময়ামগীসু খরা খজিক মতম শাংদোকপীনবা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ইমা লৈসনা ৱিমেন ষ্ট্রিট ভেন্দরস ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ সুনিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইমা-ইবেলশিং খরা খজিক্তা ওইরবসু মতেং পাংবীবা ওইনা চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ এফেক্টেদ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিমগী শেনফম শেল অমফাওবা তিংহন্দনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎফম ফমজরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা ফংহনবীবা অসিদি লৈঙাক পায়রিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। স্কিম অসিগী ফোর্ম থাজিন্নবা হোৎনবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী অমদি মহাক্কী ষ্টাফশিংনা হোৎনখিবশিংবুসু তৌবীমল খঙবা উৎচরি। লোয়ননা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহন্ননবা হোৎনবদা ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সীলগী থৌমীশিং অমদি সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা লৌবীখিবা থৌদাংশিংবুসু থাগৎলি। ষ্ট্রিট ভেন্দর কয়া অরাপ্পা মফমদগী ওইবনা কর্ফিয়ু মতমদা ফোর্ম থাজিনহৌবা ঙমহৌদবনা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহৌদবা য়াওরিবা অসি খরা ফংহনবীবা য়াননবা মরী লৈনবশিংনা স্কিম অসিগী মতম খরগা শাংদোকপীননবা হায়জরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।